# দিকন্সত্রক্সন - থুগায়রগা শাগৎপা!

‘দিকন্সত্রক্সন’ হায়বা ইংরাজি ৱাহৈ অসিগী ৱাহন, ইরায় লায়না পীবা য়াদে। চেম্বর’স দিক্সনারিদা পীরিবা, ৱাহৈ অসিগী শক্তাক-ৱারোল (দিফিনিসন) অদু ফাওবা মতিক চাদে হায়দুনা মালেমদা ৱাথোক ওইনরিবনি। ইরোন’দা হায়বা তারবদি ‘থুগায়রগা শাগৎপা’ হায়বনা খ্বাইদগী চূনবা ওইগদ্রা! করিগুম্বা অমা করম্না ওইরিবনো খঙনবা, শরুক খরা লৌথোক্তুনা নৈনবা অদু, অচম্বা লোন’দা, দিকন্সএক তৌবা কৌই। দিক্সনারিদতা থেংনবা, শীজিন্নফম খঙদনা, কান্নদবা ৱাহৈ অমা ওইনা লৈরম্লবা ‘দিকন্সত্রক্সন’ হায়বা ৱাহৈ অসি ১৯৬০গী মতম অদুৱাইদা ফ্রান্স’কী ফিলোসোফর ‘জেক্কসন দেররিদা’ না ইহান হান্না নৌনা শীজিন্নবা হৌরকখি। হৌজিক্তি ৱাহৈ অসি ‘এনালিসিস’ (নৈনবা) হায়বদুগী মহুৎ ওইনসু শীজিন্নবা থেংনরে। তশেংবমক্তি সাহিত্য শুবা কাওবুনা শৈরেং, উপন্যাস অমদি দ্রামানচিংবা নৈনবদা মচেৎ মচেৎ থুগায়রগা খূৎই অদু মশক খঙনবা হোৎনবা অদুবু ‘দিকন্সত্রক্ত’ তৌবা হায়না খঙনরকই। অঙাং অমনা মাগী অনৌবা শান্নপোৎ অদু করিনো খঙদদুনা (খঙনবা) মচেৎ মচেৎ ফক্কাইরুরগা নৌনা অমুক শাগৎলকপদা হান্নগী ফীভম অদুদা কৈদৌঙৈদা ওইরকউ য়াদবা অদুগুম্বনিসু হায়নৈ, কনাগুম্বনা। অদুবু, পোৎশক অদু থুগায়রুবা অদুনা মরম ওইরগা, করম্না মথৌ তৌরল্লিবনো হায়বদুদি খঙলেদনা। মদুনি - দিকন্সত্রক তৌরুবগী কান্নবা/পান্দম।

সাহিত্যগী পোথোক অমা মশক খঙনবা নৈনবা, নৎত্রগা অফ-ফত্ত নৈনবগী পান্থে অমা ওইনা ‘দিকন্সত্রক্সন থিওরি’ অসি শীজিন্নবা য়াবরা নৎত্রগা য়াদবরা হায়বসি ঙসি ফাওবা য়েৎনরিবা ৱাফম অমনি। য়ানীংবা, য়ানীংদবা অনীমক লৈ। সাহিত্য নৈনবদা দেররিদাগী ইথিল অসি য়াম্না ৱাথোক চাওই। অখঙ অহৈ কয়ানা মাগী পান্থে অসি পোৎশক অমগী অচুম্বা, ফজবা মশক অমদি ‘রাসনেলিটি’ (মরম চাবা মতৌ) অদু মাঙহল্লি হায়না কন্না য়ানীংদবা ফোঙদোকই। মহাকপু শৌগৎপা কাওবুনা হায় ‘…দিকন্সত্রক্সন হায়বসি অফ-ফত্ত নৈনবা (ক্রিটিসিজম) নত্তে, পোৎশক অমা থুগায়বসু নত্তে… মীয়াম্না খন্নরিবা অসিগুম লিটরেরি ক্রিটিসিজমগী থিওরি অমসু নত্তে, মসিদি ওইথোক্লরোইদবা অমগা হকথেংনরুবগী নুংঙাইবা (এক্সপরিয়েন্স ওফ দ ইমপোসিবল) দুনি…’। দিকন্সত্রক্সন হায়বসি ‘ওইথোক্লরোইদবা ৱাখল - মোন্দ্রং অমনি’ হায়নরিবসি য়াথোকপদা মাঙজবা করিসু লৈতে হায়না দেররিদা মশামক্লা মহাক্কী লাইরিক ‘সাইকি : ইনভেন্সন ওফ দি অদর্স’ (১৯৮২) হায়বদুদা ফোঙদোক্লম্মি। মরম অসিনা, ‘দিকন্সত্রক্সন’ হায়বসি মওং-মরীন নাইদবা, মথোঙ হুক্তবা থবক অমনি হায়বা ৱাখল অসি পূক্লিংদা মতম চূপ্পদা লৈগদবনি। তাইবঙসিদা চৎনরিবা, হান্নদগী লৈরক্লবা ৱাখল্লোন, ফিলোসোফি পূম্নমকপু চিংনা মীৎয়েংনা য়েংবা অনৌবা ৱাখল্লোন অসিগী খ্বাইদগী তঙাইফদবা, তৌদবা য়াদ্রবা থবক অমদি ‘ফিলোসোফিকল ওইবা, ওইনি ওইরোই খঙদবা ৱাহং কয়া হংবা’ অসিনি। মরম অসিনা ‘দেররিদা’না ভুৎকী মরমদা ৱারী শাবদা য়াম্না থৱায় য়াওই। মরমদি ভুৎ হায়বসি তশেংনমক্কী লৈবা, শোক্ল-শম্না য়াবদুমক নৎত্রবসু ৱাখলসিদদি লৈবা, মীৎসিদা মশেন-মরাং ওইনা উবা পোৎশক অমনি। ভুৎকী মশক ওইবা ৱাখলগী শক্তমশিং অদু অশেংবা শক্তম ওন্থোক্নবা হোৎনবা অদুনি দেররিদানা তৌরুবা।

দিকন্সত্রক্সন হায়বসি করিগুম্বা (লিটরেচরগী) পোথোক অমগী অরেপ্পা মশক অমা লেপথোক্নবা নত্তে। ৱাখল্লোন অসিগী মতুংইন্না মালেমদা লৈরিবা পোৎশক খুদিংমক অসি লেঙদ্রবা (হোংবা লৈত্রবা) শক্তম অমা ওইনা উদে। অতোপ্পা শক্তম অমগা চাংদম্নবদা মান্নদবা পোৎশক অমা ওইনা উই। হায়রিবা শক্তম অসি য়েকপদা/শাগৎপদা ৱাহৈগী চাউরবা থৌদাং অমা লৈ। মাঙলমচত্ত অতোপ্পনা কয়ারক হন্না, হঞ্জিন হঞ্জিন শীজিন্নখ্রবা লোন অদু শীজিন্নরগনি ঐখোয়না অনৌবা শক্তম অমা অমুক য়েক্লিবা। মান্নবা ৱাহৈ কয়া য়াওরগসু শীজিন্নফমদুদি মান্নদে, মদুনা শেমগৎলকপা শক্তম হান্নগা করম মান্নগনি? দিকন্সত্রক্সন হায়বসি দিষ্ট্রক্সন নত্তে। হান্নগী চৎনবী, লিক্লম অদু পুরা হুন্দোক্লম্বা নত্তে। হান্নগী শক্তম অদুগী ফজবা, ভেল্যু (মগুন) অমদি মতিক মঙমশিং অদু মীরায়বা য়াদে। দিকন্সত্রক্সন হায়বদি হান্নগী মফমদুদা হেন্না ফজবা অনৌবা শক্তম অমা শাগৎপনি, হান্নগী শক্তমদুগা অনৌবা শক্তমদুগা লৈনবা মরী অদুদি থদৎপা য়াদে।

ইবগী কলা অমদি দিকন্সত্রক্সনগী ৱাখল্লোন অনী অসি করম্না তোৎশিন্নবগে হায়বসিগী মতাংদা চনৈনবা ৱাফম কয়া ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা থোরক্লি। ৱাখল্লোন অসি মীওইবগী লোনগা মরী লৈননা নৈনরকপদা ‘ঙাঙথোকখিবা লোন’ অমদি ‘ইথোকখিবা লোন’ অনী অসিগী খেন্নবা হান্না নীংথিনা খঙদবা য়াদে। ঙাঙথোকখিবা লোল নৎত্রগা ৱাহৈ হায়বসিদি শেম শাহৌদনা, খুদক্কী ওইনা চিন্দগী থোকখিবা য়াই। অতাবশিংদা মদুনা পীবা ইথিল অদুসু তুং কোইহৌদবা য়াই। অতাবশিংনা অতোপ্পদা পাউ তম্বদা, হায়দোকখিবা ৱাহৈ অদুনা ফোঙদোকখিবা ৱারোল অদুসু তাইওন্নখিবা য়াই। অদুবু ইথোকখ্রবা লোল নৎত্রগা ৱাহৈ অদুগী মশক্তি কৈদৌনুংদা হোংবা লৈরোই। ৱাফম অমা হায়রিবা (ইরিবা) মী, অমদি ৱাফম অদু তাগদৌরিবা (মাগীদমক ইরিবা/পাগদৌরিবা) মীশক, অনী অদুমক লৈত্রবসু হায়রিবা অমদি তাগদৌরিবা ৱাফম অদুদি হোংবা লৈরোই। চিন্না, কনাগুম্বা অমদা হায়নীংবা ৱাফম/ৱারোল অদুগী অতোপ্পা শক্লোন অমনি - ‘অইবা ৱাহৈ’। ইথোক্লিবা ৱাহৈশিং অদুগী লৈচল অদুনা, ‘ইদনা ঙাঙবা ৱাহৈশিং’দগী মতিক ময়াই লৈবা হেল্লি। অদুনবু ‘স্পিচ রাইটর’ হায়বা অমা থোরক্লিবনি। চীন্না ফোঙদোক্কদবা ৱাফম অদুগী অতোপ্পা শক্লোন অমা ওইবনিনা, ‘অইবা ৱাহৈ’ অমদি ‘হায়দোকখিবা ৱাহৈ’ অনী অসি খেন্নফম থোক্তে হায়বসি ‘দেররিদা’ গী ৱাখলনি। অইবা অমদি হায়দোকখিবা, ৱাহৈ অনীমক্কী পান্দম কনাগুম্বা অমদা করিগুম্বা খরা হায়বনি। ‘দেররিদা’ না ১৯৮০দা ইখিবা ‘সোক্রেটিসন ফ্রেইদ অমদি মাগী তুংগী মীরোলদা থাবা পোষ্ট কার্দ’ হায়না মিংথোনবা লাইরিক অদুদা হায় …‘কনাগুম্বা অমনা কনাগুম্বা অমদা ইবা চিঠি অমা, মাগী পম্বুং অদু য়ৌখিদবা থোক্লবা - মদুনা মরম ওইদুনা পাউজেল অদু থাখিদে/পীখিদে হায়বদি য়ারোই… কনাগুম্বা অমনা করিগুম্বা খরা হায়রিবা, ‘হায়রিবা’ অমদি ‘তারিবা’ অনীগী মরক্তা পাউ ফাওনদবা/য়ানদবা/লান্না খন্নবা ৱাফম অমা লৈদুনা তৌরিবনি…’। দেররিদা’ না তত্তনা হায় ‘দিয়র ইজ নথিং আউটসাইদ দ টেক্স’ (ইরিবা/ফোঙলিবা ৱাফমদুগী ৱাংমদা করিসু লৈতে)। মাগী ৱাহায় অসিগী খুদোংচাবা লৌরগা মাবু য়ানীংদবা কাওবুনা মহাকপু ‘হকথেংনরিবা অচুম্বা’ (রিয়েলিটি) মশক খঙদবা মীনি হায়দুনা মরাল শী। ইতিহাস মশক খঙদবনি হায়। দেররিদা’না হায়রিবনা ‘-ইতিহাসকী থৌদোক অমা হায়বসি অইবগী ‘ৱাহৈ’ অমগুম্বনি, ইতিহাস হায়বসি অইবগী ‘টেক্স’ (খূৎই) অদুনি।’

মরম অসিনা, ‘দিকন্সত্রক্সন’ গী ৱাখল্লোন’দা থাজবা কাওবুনা হায়… ‘অইবা অমনা ৱাহৈশিংবু তোঙান তোঙানবা খূৎফোংদোক কয়াদা শীজিন্নবগুম ৱাহৈশিংদুনা ফোঙদোক্লিবা থৌদোকশিং অদুসু মওং কয়াদা য়েংবা য়াই, নৈনবা য়াই, পুমনৌ নৌনা শেমদোকপা য়াই।’ দিকন্সত্রক্সন হায়বসি ঙরাং থোকখিবা থৌদোক অমা ঙসি থোক্লিবা থৌদোকসিগা মরী লৈননা য়েংবা মীৎয়েং অদুনি, ঙরাং থোকখিবা থৌদোক্তা ঙসিগী পাউখুমনি।

দিকন্সত্রক্সন অমদি লিটরেচর অনী তুনা নৈনরকপদা ফিলোসোফরশিংনা লিটরেচরবু করম্বা মীৎয়েংদা য়েংবগে হায়বদুসু খঙদবা য়াদে। মরমদি, দিকন্সত্রক্সন হায়বসি ফিলোসোফিকল ওইবা মীৎয়েং অমনি হায়বসি পূম্নমক্কী ৱাখলনি। ফিলোসোফরশিংনদি ‘সাহিত্য’ হায়বসি কান্নদবা থৌরেম অমনি খল্লি। মখোয়না হায়, ফিলোসোফি’না থিরিবা - নুংগী ওইবা অচুম্বা (ইন্নর ক্রুথ) অদুনি, সাহিত্য’না ফোঙদোক্লিবনা মপান্থোংগী শক্লোন’দুনি। সাহিত্য শুবা মীশিং অসি অশেংবা অচুম্বদগী লাপ্না লৈ হায়দুনা ফিলোসোফরশিংনা ‘সাহিত্য’ হায়বসি খুদোংথীনীংঙাই মশকনি হায়নসু হায়। শা-ঙা, উপাল-ৱাপাল-মরোন থোক্তবশিংবু সাহিত্যকার (অইবা) শিংনা ৱা ঙাঙহনবা - ফিলোসোফরশিংনা খ্বাইদগী য়াদবা থবকনি। জর্মনগী ফিলোসোফর ‘জুর্গেন হবর্মস’নদি - ‘দিকন্সত্রক্সন হায়বা অনৌবা ৱাখল্লোন অমা পুথোক্তুনা ফিলোসোফিবু সাহিত্যগুম ৱাহৈগী মীত্রং ওন্থোক্তুনা হন্থবা থাক্তা চিংথরে’ হায়দুনা খম থেংনা ৱারৌই।

ঐখোয়গী (মণিপুরগী) দ্রামাটিক লিটরেচর’দা খ্বাইদগী চাউবা খুদোল অমা তৌরম্বা ‘জি সী তোংব্রা’ না হায়রম্মী, ‘ঐনা থম্মোয় শোক্লা করিগুম্বা খরা হায়রগা মীয়াম্না নোকপীরিবা করিগীনো’? মহাক্কী ৱাহৈশিংনা খুন্নাইসিবু করেম্নবদু তারগা/পারগা, খুন্নাইসিদা লৈরুবা মীশিংনা নোকই। তোংব্রানা অমুকসু হায়, ‘ঐনদি কপ্লি, মীয়াম্নদি নোক্লি’। করিগীনো অইবগা অপাবগা (অউৎপগা অয়েংবগা) তায়ওন্নরিবা? ৱাহং অসিগী পাউখুম থিবদা থোক্লকপা ৱাখল/ৱাহৈনি-দিকন্সত্রক্সন! ঈপাক অমগী ঈমায় অদু উরগা কনানসু হায়বা ঙমদে ‘ঈপাক অদুগী অরুবা’। ঈপাক্তুদা কুম্লরগা খঙগনি- ‘কয়াম লুবা ঈপাক্নো’? পুখ্রম্বা শামু’নসু হায়, ‘ঐগী লীলাদি নুংগী অচুম্বা থিবনি’।

অদুনদি, ৱাফম অমা থোরক্লে - অইবশিংনা ইরিবা ৱাহৈদুনা অমনি হায়নীংলিবনা অমনি। ৱাহৈগী উমংদা ‘অচুম্বা’ অমসুং ‘অরানবা’ অনীনা কেকু লোৎপী শান্নবনি। কেকু অদু ফোঙনবা হোৎনবগী পান্থে অমনি - দিকন্সত্রক্সন! থুগায়রগা শাগৎপা। পোৎশক অমা, অমুক শাগৎপা ঙন্লোইদৌবা ওইরবা, থুগায়রোইদবনি কৈদৌনুং। থুগায়বদি লায়, শাগৎপদি লুই। দিকন্সত্রক্সন’বু লিটরেচরগী খূৎলায় অমা ওইনা শীজিন্নগে নীংলবদি - ফিলোসোফি অমদি লিটরেচর অনীগী লৈনরিবা মরী অদু হঙ্গৎনা য়েংবা তাই। অদুগা ৱাফমসিমসু য়াবা তাই, মদুদি অনীসিগী মরক্তা খল্লিবা কাখল অদু দিকন্সত্রক্সননি। লিটরেচর হায়বসি ৱাখলনা শাগৎপা শক্তম অমা ৱাহৈগী মতেংনা য়েকপনি। ফিলোসোফি হায়বসিনা ৱাখলদুগী অচুম্বা থিবনি। ফিলোসোফরশিংনা সাহিত্যগী পোথোকশিংবু ‘ইচম চম্বা ৱাহৈগী মীত্রং’ ওইনা উবগী মওংদু নত্তবা, দিকন্সত্রক্সন’দা থাজবা মীওইশিংনা হায়রিবা…‘ৱাহৈশিংদু হঞ্জিন হঞ্জিন চুম্না পাউ, ৱাহৈশিংদুনা ইচম চম্না ফোঙদোক্লিবা ৱাহায় অদু নত্তবা নুংগী অচুম্বা অমা লোৎলিবদু উগনি’… অসিনি। দিকন্সত্রক্সন হায়রগা ময়াম্না থুগায়বগী ৱাখল অমা কোকসিদা লামশিল্লিবদুনি খ্বাইদগী অচৌবা অরানবা। ‘দিকন্সত্রক্সন কোলস ফোর এ রিকন্সএক্সন ওফ হ্বাট এ টেক্স সেজ এট দ ফেস ভেল্যু’ - হায়বসি মতম চুপ্পদা নীংশিংগদবনি। অদুবু, মায় পাক্লবা (অফবা) অইবা অমনা ইরকপা ৱাহৈশিংনা অপাবগী পূক্লিংদা শাগৎহল্লকপা শক্তম, অপাবা অমগা অমগা মান্নদে। সেক্সপিয়রগী ‘মেকবেথ’, ‘হেমলেট’, ‘কিং লিয়র’, ‘ওথেল্লো’ - শক্লোন কয়াদনো ইথোক্নরিবা মালেমগী লোন কয়াদা! ঐখোয়মক্কী ‘রতন থিয়াম’না মহাক্কী খ্বাইদগী নৌবা লীলাদা হায়, ‘মেকবেথ ইজ এ দিজিজ’ (মেকৱেথ হায়বসি লায়না অমনি)। শৈরেং/উপন্যাস/দ্রামা অমগী খূৎই (টেক্স) হায়বসি ইতিহাসকী মশক ওইরবা থৌদোক-ৱাথোক ময়াম অমবু য়োমশিল্লিবা অকনবা মকূ (কোঙ্গ্রেং/থরোই/থেঙ্গুগুম্বগী কুয়োম) অদুনি। মকু’দুনা অশেংবা মশক নত্তে, অচুম্বদুদি মতম চূপ্পদা লোত্তুনা লৈ।

মরম অসিনা, লিটরেচরগী টেক্সট (খূৎই) অমা পাবা মতমদা, ৱাহৈশিংদুনা পীরকপা ‘ইতিহাসকী অরোৎপা-মশক’ অদু শক্লাক্তুনা চিংশিল্লগা ঙসিগী অনৌবা শক্তম অমা শাগৎপা ঙমদ্রবা, হায়বদি দিকন্সত্রক্ত তৌবা ঙমদ্রবা, -খূৎইদুরা নৎত্রগা অপাবদুরা, অনীগী মরক্তা অমদদি অৱাৎপা অমা লৈরবনি। ●

—ইন্দ্রকুমার

# কাংজম রাধাকুমারগী ‘‘আ থম্মোয় লকানুংদগী’’ হায়বসিদা মীৎয়েং অমা - (২)

মলয়াগী নিংথিজরবা শাবান অমদি পকচবা ফিজোল অদু উরগা ঈথক-ঈরাং হৌরম্মী। নুমিদাং চাক চারবা মতুংদা খুদোল ওইনা ব্লাউজ অনী পীরম্মী। মখোয় অনী ঈথক-ঈরাংগী নুংঙাইরবা মিকুপ্তা লুপমিন্নরম্মী। পুন্সি হায়বসি পোকপা শিবগী ৱাখল চঙদ্রবা ময়াই কানা হিংলিবা মিকুপ অসিনি হায়না লৌই। ‘‘শুক্লবা অহিংগী উমং ৱাংমদা’’ কৌবা ৱারীমচাদা পুন্সি হায়বসি থবকনি। নুংঙাইনবা, চাওখৎনবা হোৎনগদবনি হায়বা উৎলি।

‘‘কনাসু নত্তবা কোকথোং অমা’’ কৌবা ৱারীমচাদা পুন্সি হায়বসি লোইবা নাইদ্রবা কুম্মৈনি হায়রি। মসিদা লুপ্তুনা য়াওশিনগদবনি। কুম্মৈ অসি য়াওবা হৈত্রবদি কৈবু কৈওইবগুম উতোং অহোবদা ঈশিং শোকপগুম থোক্কনি হায়না ফোঙদোক্লি। ‘‘লান’’ কৌবা ৱারীমচাদনা মী পূম্নমক হিংননবা রিফ্যুজি কেম্প য়ৌননবা চেন্নরম্মী। মাগী মাগী হিংনবা হোৎনবদা অতোপ্পগী খনবা, য়েংবা কনাসু শংনরমদে। অচুম্বগীদমক কথোকপা ঙম্বা কনাসু উবা ফংদে। করিগুম্বদা তাইবঙ মপু ফাওবা লৈরমগনি হায়বদা চিংনবা ফাওরকপগী ৱাখল উৎলকই। ‘‘অয়ূক্কী লিক্লা কংদ্রিঙৈ’’ হায়বা ৱারীমচা অসি জিনি অমসুং জ গৎ অনীগী নুংশিনবগী ৱারীদগী শাগৎলকই। অঙাং ওইরিঙৈদগী স্কুল অমত্তদা তমিন্নরকপা মখোয় অনীগী ইনখৎলকপা চহী মতাংদা নুংশিবগী ঈথক ঈপোমসু ৱাংখৎলকখি। জিনিগী মনে হল্লকপী অমসু শংজবা নীপা অমনা জিনিবু ময়ূমক্তদা ফল্লাল্লম্মী। তম্বা ঙমদ্রবা মীওইবগী পুন্সিগী মশক উৎলি। ‘‘অয়ূক্কী হাইগৎলক্লিবা নুংশা মঙাল’’ কৌবা ৱারীমচাদা মীওইবগী পুন্সি হায়বসি অৱাবা ঙাক্তনা তাশিন্দুনা শেম্বা নত্তে হায়বা উৎনবা হোৎনৈ।

**পুন্সিগী ৱাহন্থোক থিবা ৱারীমচাশিং ঃ** রাধাকুমারগী ৱারীমচাগী লাইরিক অসিদা মীওইবগী পুন্সিগী ৱাহন্থোক কয়া পুথোক্লবা হোৎনবা ৱারীমচা কয়ামরুম য়াওরি। পুন্সিনা লৈরিঙৈদা করি পাঙথোক্লমগদগে? মরেক-মহাউ থোক্লা, মপূং ফাবা ৱাহন্থোক লৈবা পুন্সি অমা ওইনবা করি তৌবা তাবগে হায়বনচিংবা ফোঙদোকপা ৱারীমচাশিং উবা ফংই।

‘‘নুংশি মীৎয়েং অমতংগী’’ হায়বা ৱারীমচা অসিদা নীপা অমনা হিংলিঙৈদা অফবা থবক তৌনীংলম্মী। অপোকপা মপানা শৈরেং ইদুনা খোরিরোল চাওখৎনবা হোৎনরম্মী। নীপা অসিসু অফবা মচেৎ অমত্তা ওইরবসু তৌনীংলম্মী। পুন্সিগী ৱাহন্থোক্তি হিংলিঙৈদা মীয়ামগীদমক অফবা থবক অমত্তা ওইরবসু তৌরম্বনি হায়বসি উৎলি। ‘‘য়াঙ্গংলবী তুরেল অদুম চেন্থরি’’ কৌবা ৱারী মচাদা নীপা অদুনা মাগী পুন্সিদা থেংনরিবা অফা-অপুনশিং ফোয়দৎলগা লংথোকপা পাল্লম্মী। মাগী পুন্সি ইনৌ নৌনা হৌবা পাল্লম্মী। অদুবু থবক্কী ইন্টরভিয়ু য়াওরুগে চৎখ্রগা থবক খল্লক্লোই হায়দুনা য়াওদনা হল্লকখি। মমানা নীপা থোক্লা পুন্সিগী লাম্থেং য়াওগদবনি। থবক্কী অৱাৎপা লৈতে হায়বা খঙহল্লম্মী। পুন্সিদা নীপা থোক্লা হিংগদবনি, তল্লোইদবনি হায়বা উৎলি। ‘‘অরোইবা মীনোক’’ হায়বা ৱারীমচাদসু মসিগা হায়রপ মান্নবা থৌনা অমগা লোয়ননা হিংগদবনি হায়বা উৎলি। কেন্সরনা নারবী ভানুমতীনা লাইওইখ্রবা মপুরোইবা নীংশিংদুনা মঙলান অমদা ঙাইহাক লুপ্পলম্মী। মমৈদা মচাশিংগীদমক মোমোন নোক্লা হিংলগে হায়না ফিরেপ লৌরম্মী।

‘‘লম্লোঙ’’ কৌবা ৱারীমচাদা মায়কৈ কয়া ফাংবা লমলোং অমদা নহা অমনা করম্বা মায়কৈদা চৎকদগে খঙদদুনা লৈবগী ৱারী লীরি। অহল অমদা হংলুবদা পূক্লিং লোঙদনা চৎকদবা লম্বী খনগদবনি। মহাক্লা তৌরম্বা থবক্লা তুংগী মীরোলগী মতৌ তম্নফম ওইহনগদবনি হায়রম্মী। ৱারীমচা অসিনা পুন্সিগী লম্লোঙ য়াল্লবা লম্বীদা অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়ননা চৎকদবা লম্বী খনগদবনি। লম্বী অদুনা তুংগী মীরোলদা কান্নবা পীবা ঙল্লবদি মহয় য়াল্লবা পুন্সিনি হায়বদু উৎলি। ‘‘মাই মেনকা হায়বীদো’’ কৌবা ৱারীমচাদা লীলারোই অমনা পুন্সিসি লীলানি হায়না লৌরম্মী। মীনা হায়রমদবা ৱা মহাক্লা তাবা ঙম্মী। মহাক্লা লোয়নরিবা মীশিংদা য়েংলগা মশাগী মশক খঙই হায়না লৌরম্মী। ৱারীমচা অসিদা পুন্সিদা খুন্নাইগী অফবা থবক তৌরম্বগা লোয়ননা নুংঙাইথোক্লা হিংবা পাম্বগী ৱাখল্লোন উৎলি।

‘‘মীৎনা উবা লাই’’ হায়বা ৱারীমচাদা শান্তিনা অঙাং ওইরিঙৈদা মমা লৈখিদে। মপাসু মী ওইদ্রি ফাওবা ময়ূমদা হল্লক্লরোই হায়না চৎখিবদগী মাঙখিরম্মী। মাগী মাম্মনা য়োকপীদুনা শান্তি হায় স্কুল লোইরবা মতুংদা টেক্সি চেল্লম্মী। নোংমা পেসেঞ্জর অমা পুরুবদগী চাং নাইনা থবক ফংলম্মী। কেন্সরনা নারবী মনে অমদি বোল শান্নবদগী মখোঙ তেক্লবা মবাইগী লায়েংবদা মহাক্লা শেল পুথোক্লম্মী। নোংমা নীপা অমনা ‘ইপাগী ইবুংঙো’ হায়না ফোন তৌরক্তুনা খুদোল অমা য়ৌরক্কনি মদুনা হৌদোক্লরো, টেক্সি থৌবসু তোক্লো হায়রম্মী। ৱারীমচা অসিদা হেন্না পামশিল্লোইদবনি, পেন্থোকপা হৈদুনা অৱা-অনাগী মতেং পাংলবদি মমা-মপাগী থৌগল তৌবগা মান্নৈ হায়বা উৎলি। পুন্সিগী থৌদাং মতম চানা পাঙথোকপা ঙম্বা মীদু মথৌ মশক খঙবা, থৌনা ফবা মীনি হায়বসি ‘সমুদ্র তরেৎতা কোয়রুবা’ কৌবা ৱারীমচাদা উৎলি। ‘‘শুক্লবা অহিংগী উমং ৱামংদা’’ হায়বা ৱারীমচাদসু পুন্সি হায়বসি থবকনি। নুংঙাইনবা চাওখৎনবা ইশানা হোৎনজগদবনি হায়বসি ফোঙদোক্লবা হোৎনরি।

মীওইবগী পুন্সি হায়বসি ৱাহন্থোক অমা য়াওনা হিংগদবনি। থৌনা অমগা লোয়ননা হিংবা, মীয়ামগীদমক থবক তৌরম্বা নুংঙাইনা হিংনবা হোৎনবা অমদি মাঙদা চঙশিন্নবা হোৎনবা অসিনচিংবা পান্দম অমা য়াওনা হিংবা ঙম্বা পুন্সিবু ৱাহন্থোক লৈবা পুন্সিনি হায়না লৌই। কাঙলূপ অসিগী ৱারীমচা খরা অইবনা লাইরিক অসিদা উৎলি।

**থম্মোয়গী নুংগী মচৎ উৎপা ৱারীমচাশিং ঃ** অইবা অসিগী ৱারীমচাগী লাইরিক অসিদা থম্মোয়নুংগী মশক উৎপা, পূক্লিংগী নুংগী মিৎনা উরকপা লীচৎশিং উৎপা ৱারীমচা খরা উবা ফংই। কাঙলূপ অসিগী ৱারীমচাশিং অসি খঙহৌদনা থম্মোয়দা ফাওরকপা ফজবগী মশক ওইনা, নুপী-নীপাগী মরীদা, মমা মচাগী ওইবা মরী অসিনচিংবদা উবা ফংই।

‘‘থোঙনাওদৈ উবা’’ হায়বা ৱারীমচা অসিদা নীপা অমনা মাগী নুপীগা মঙদা ফজবা কয়া উরকপগী ৱারী শানরম্মী। মপান্থোংগী মিৎনা উবা ঙমদ্রবা থম্মোয়দা ফাওবা ফজবগী মশক উৎনবা হোৎনরি। মতম চূপ্পগী ওইরগদবা অচুম্বগী শায়োন অমা ফজবগী মশেক ওইনা উহল্লি। ‘‘অহিংগা লোন্দিন্নবা’’ হায়বা ৱারীমচাদা নীপা অমনা খঙদবা লোন্দা ৱারী শানবা তাবগী মরমদা খল্লম্মী। লাইফম অমদা মমা লৈখিদবগী লাইনিং লাইশোন তৌনবা চৎখিবা থৌদোক অমা নীংশিংলম্মী। অহিংদা য়ু ঙাওবা মপুরোইবগা মাগী নুপীগা খৎনবা তারম্মী। নুপীদুনা পূক্লিং নুংশিনা কপ্লম্মী। অদুবু নীপা অদুনদি করেম্ননা নোক্লম্মী। হঞ্জিন-হঞ্জিন্না নীপা অদুনা ঙাঙবা তারগা মদুগী ৱাহন্থোক লাকশিন্দুনা য়েংলম্মী। য়ূম্বান লম্বীদা ৱাখল্লোন তিন্নরক্তবদগী মুক্নরকপা, নীপানা নুপীবু থাজবা ঙল্লক্তবগী লীচৎ উৎলি।

‘‘অনিতা’’ কৌবা ৱারীমচাদা অনিতানা লম্পাক অমদা তেলঙ্গা পাইরম্মী। নীপামচা মরিনা অমমম চঙলক্তুনা অনিতাগী তেলঙ্গাগী মরী থদৎনবা হোৎনরম্মী। অহুম অমদি মায় পাক্লমদে। মরিশুবা নীপা অমনা অনিতাগী তেলঙ্গাগী পুক্লি থদৎলম্মী। শেৎতোক চাথোরকপদা পকচবী অনিতা লৈশাবী ফারক্লম্মী। নোংমা নীপামচা মরিনা অনিতাবু ফল্লাল্লবা মতুংদা লংথোক্লম্মী। মদুদা অঙাং ওইরিঙৈদা তেলঙ্গা মরী থদৎনবা হোৎনখিবা নীপা অহুম য়াওরম্মী। ৱারীমচা অসিদা অঙাং ওইরিঙৈগী মীবু মীহৌবা, মীঙোন্দা ওৎ নৈরগা নুংঙাইজবা লীচৎ-শাজৎনা চাউরক্লগা হেন্না তমথীবা শাজৎ চৎলক্তুনা খুন্নাইদা ৱাথোক ওইরকই হায়বা তাক্লি। ‘‘ঙক্লা ফজৈদকো লৈশেমসে’’ হায়বা ৱারীমচা অসি ইম্ফালদগী দেল্লী ফাওবগী এরোপ্লেনগী খোঙচৎ অমদা পিক্লিবা মচা চেনবী মৌ নহা অমা থেংনরকপগী ৱারীনি। পুং অমা হেন্না অঙাং অদুনা নিংঙাই তৌরকপদু কনামত্তনা থেম্বা ঙল্লমদে। ৱারী লীরিবা নীপা অসিগা ফম্ফম ওন্থোক্নদুনা থোঙনাও ময়াদা ফমহল্লগা মচাবু খোল্লাং পীথক্লবা মতমদতা অঙাং অদু কপ্পা তোকখিরম্মী। মচাগী মরোল মমা ওইবীতনা খঙই হায়বা ৱারীমচা অসিনা তাক্লি।

‘‘মীৎকপ থোক্লকপদা’’ হায়বা ৱারীমচাদা লুহোংবা থা অনী ফাদ্রিঙৈদা পিছ কিপিং ফোর্স অমদা য়াওদুনা দিনচন্দ্র মীরৈবাক্তা চৎলম্মী। বোম পোকখায়দুনা শোকপদা হকচাংগী ফিন্নুংগী কয়াৎ য়াওখিরম্মী। ৱারীমচা অসিদা অইবনা নুপী নীপাগী মরী অসি হকচাং পোলাংগী মরী অসি নত্তবা থম্মোয়গী ওইবা মরীনদি পুনশিনবা য়ারোইদ্রা হায়না ৱাহং হংলি। ‘মঙদা উবা থৱায়’ হায়বা ৱারীমচা অসিদা টি ভিদা উবা এনিমেল ৱর্ল্ডগী থৌরমশিংনা নীপা অমগা মাগী নুপীগবু ৱাখল য়াম্না খলহল্লম্মী। অমগা অমগা চান্নবা, মমানা মচাশিংগীদমক ৱাজবা কয়া উরম্মী। নীপা অসিনা অঙাং ওইরিঙৈগী থৌদোক খরা নীংশিংলম্মী। মমানা মচাগীদমক ৱাজবা, মচা ওইবীশিংনসু মমাগা তোৎন-তিন্নরগা নুংঙাইজবা, পেঞ্জবগী মতৌ ৱারীমচা অসিদা ফোঙদোক্লি।

—**ধনশ্যাম ৱাহেংবা**

## আশাগী পামেল

—**মৈস্নাম বিরমনী পাল্লরবোন্দ**

ওন্থোক্লা ৱাজখি পূক্লিংদা
ইমা লৈতে খনখিদ্রা
মনীং থুংদে ৱারৌখিদ্রা
নৌনা পলেম কায়নখ্রবদা।
পমখি পোখি শুন্থীখি
শগোল তোংবী শান্নখি
ঙমখিদে ঐনা শিনবদি
মমাগী খোল্লাংগী মহুৎতি।
কেকু লোৎখি হরাওনা
লোৎখিদে ঐদি কিজবনা
ইচানা থিবা ৱাদনবা
নুংশি মরী তৎতনবা।
ইচানা হরাওনি খনবদা
নোংজু নুংশা খঙখিদে
অফ-ফত্ত কাউথোকখি
লৌবুক্তগী ঙা থরোই ৱাইখু।
হৈনা চৎচা খুদোম্বী পায়
নমদা পোরগা লাইরিক তম
অউবা কয়ানা ৱারৌখি
অতোম্বী থিয়ু হায়বীখি।
কাউহনখি ইচাগী নুংশিবনা
অৱা কোঙ্গায় খাংঙমখি
অপাম্বা কল্লকপা কাউঙমখি
ইচাগীদমক খনবদা ঐনা।
চৈশুনা মহুৎ শিল্লরোই
ইচাগী খুজেং পায়গনি
মমাগী অনীংবা থুংহনগনি
অপাম্বা লাইফম চৎকনি।
ইমৌগী থৌগল ফংখিনি
ইমান্নবা মীরক তিনখিনি
ঐগী ইচানি খঙহনখিনি
পুন্সি তোলোইনা হিংখিনি।

## লৈকংগী থম্বাল লৈনুংশি

—**অঙোম ইবোমচা**

লৈকংগী থম্বাল লৈনুংশি
অহিংবা লৈশাৎ তমজবী
থোৎন-নৌরবা লৈনাদগী
ঈংনা লৈশাৎ তল্লিবী।
    খোইমুগী শাহুমবু কিবনা
    অহিংদা লোৎনা শাৎপরা
    কোরৌগী মৈশাবু কিবনা
    ঈংনা মেংনা শাৎপরা।
মপুগী খুয়াদা কচ্চগে খন্না
লৈহেক তমলুই লৈরাং নঙবু
ইকায়থীবী ওইবনা নঙদি
খুইরুম-খুইরুম তৌবনা হাল্লি।
    নীংবা কায়রবা থম্মোয়না
    মপুগী খুয়াদা কচ্চখিদে নঙবু
    হা লৈরাং লৈনুংশি
    ইকায়থীবী লৈরাং-ও
    ইকায়থীবী লৈরাং-ও।

## হোই ঐ নুপানি

—**কর্নেল ঐচ সরত**

নুংশিজৈ অহলশিং, নুপী-অঙাংশিং
ইচিল-ইনাওশিং
হিংলি পূম্নমক্কী য়াইফনবা
থৌদাং লোইনমক ঐগীনি
হাপলি অৱাবা কয়াদু কোকথক্তা।
তুমহল্লি মখোয় খোবোমমক
খল্লি ৱাখল অহিং চূপ্পা তূমদনা
ঐগীদি ইথৌনি, অৱাবশিং মায়োক্লবদু
নোকই মায়থোঙদদি থম্মোয়না কপ্লবসু
থল্লি পূম্নমকসি মঙাল লৈনা
লৈবা ফংদ্রে য়ূমদা লেঙদনা
চৈ, শাওই মরক মরক্তা হেন্না ফহন্নীংবগী
কনাসু ৱাহন্নীংদে, ঐনা হিংলিঙৈদা।
কথোকখ্রবনি মপোকসি খুন্নাইসিগীদমক
পাঙথোকনীংবা পূম্নমক্তু ঙল্লমদরে
মোৎখ্রবা খুন্নাইসিগী মিংশেলদু মোৎনা লৈহৌরে
মান্নরি খুন্নাইসি নুপা য়াওদনা হিংবা ইমুং অমগা।
দান তৌদ্রবা, কথোকপগী থম্মোয় য়াওদ্রবা,
লুচিংবা শাবশিংনা মীয়ামগী মতম মাঙহল্লি
হে মীনম্বশিং নখোয়বু নুপারা?
তাইবঙসি থাদোক্লরোইদবা জিবশিংলা?

## থম্মোয়গী তেংথা

—**রাজকুমারি মীনা**

থৱান মীচাক্লা মালংবু ৱারৌখি
তথক তথক্লা মীৎচিবু খৎনরি
শজিক থবানা অয়ূক্তা ৱাকৎখি
চীংখৈ ফীদুপ্না অঙানবা পুরকখি।
লীক্লা মরক্তা কেল্লবী মালিকা
অহিংগী অৱাবা খাংলম্মী
ওনখি লৈমায়দা খাংজবা ঙমদনা
অসিনি নঙগা খেন্নবা।
মীগী ৱাখলসু পুনিংদে
মতৌ তম্বসু পামজদে
থাগৎ ৱাহৈসু মীহৌদে
চীরোল তৌবসু হৈনদে
অচাকপা মৈরীনা ৱাইরবা
ঐগী থোৎলবা হকচাংনি।
অরেপ্পা নাইদনা চাক্লিবা
ঙসিগী শারবা মৈশানি।
ঙসিগী অনৌবা শৈশক্তা
ঐগী নীংজবসু থুংলনি।
ঐগী নুংশিবা তাম্বাদা
নহাকসু লেপ্তুনা য়াওরনি।
থম্মোয় পেন্নবা ইজবা
ঐগী অনীংবা হায়জবা
ফংলবদা পাওদম কয়া কয়া
থম্মোয় শোক্লা কায়খিবদা
লেনখি মপোক থীনা ঐসু।
অশংবা লৌবুক লম্মাং
ওইরে ঙসিদি লৈকংলা।
অরাংবা ইম্ফাল সহর
ওইরে ঙসিদি কৈশুমশঙ।
চীংনুং মানুং অঙ্গীংবা
ওইরে ৱাথোকশঙ ঙসিদি
থৌনা লৈবা অকনবা
মীংদা ঙাইরে অথৌবা।

## শেরান্নবা ৱাখল

—**ডা. নির্মলা রাজকুমারী**

কুমগী নোংজু লাকপদা
ইমায় চোল্লবা তুরেল অমগী তোর্ব্বান্দা
হৌরম্মী ৱাং চাউরবা অহল ওইরবা
উ পাম্বী অমা।
নোংমা পাইরকই উচেক মপি অমা
মচা ময়ামগা লোয়ননা চঙজফম লৌনবা
হায়রৈ উ পাম্বীদুদা
ঈশিং ঈচাও লাকপসিদা ৱারে
লৈফম লৈতদুনা
শাজগে মহুম অমত্তা
লৈননবা ইচাশিংগা।
উ পাম্বীদুনা খুল্লকই,
ঐঙোন্দদি শারনু
শারুরো ঐগা থংননা হৌরিবা
উ পাম্বীসিদা।
অমুক পাইখ্রে উচেক্তো
থঙনবা উ পাম্বীদুদা
মচাশিংগা লোয়ননা।
মহুম শাজগে হায়রুবদা
হায়রকই হরাও হরাও।
মতম খরগী তুং
অহানবগী উজাওদু
তেক্তুনা তাশিল্লি তুরেলদুদা।
উচেক্তুনা লাওরকই কল্লক পেন্না
ঐনা মহুম শাজগে য়াদবগী
তেক্তুনা তারেদো তুরেলদা।
খুল্লকই মপুন্সি লোইগদৌরবা পাম্বীদুনা তপ্না
ঐ খঙই লোইগদৌরবনি ঐগী পুন্সি
অদুননি য়াদ্রিবা ঐনা
নঙবু অৱাবা তাহন্নীংদবৈ।
উচেক্তু কোন্নদি ৱাখল তারকই।

## অশিবা থম্ফম

—**ডা. রঞ্জিৎ মঙাং**

য়ূমদগী কৌথোকখি য়ূমদগী পুথোকখি
চিবোন চিবোন ঙাঙনৈ
কনানা করিগী কৌথোকইবা
কনানা করিগী পুরিবা
হংবা লোইবা লৈখিদে
পাউখুম অমত্তা থোরক্তে।
    লূপ কয়াগী মীওই
    য়ূম খুদিংগী মী
    থৱায় ৱানা পাখৎলি
    নীংঙমদা মিৎলু পিরাং শিন্থে;
    তৌরিবা মতৌ করিনো
    থম্মোয় শোক্লা ৱারী শাই।
অমম্বা অহিং কয়া থিরুরে
অঙানবা মতম খোঙ্গুল লিরুরে
রেদিওদা পাউ পীরুরে
চেফোঙদা লেপ্তা পাউ চেল্লে;
পান্থে লৈত্রবা মীওইবা
থৌনা ফবা ঙমখিদে।
    মখা চিক খাঙই
    ৱারৌনা শাউনীংবা উৎলি
    য়ূমদা তূমজবা লম্বীদা চৎচবা
    অসুম মফম মরাং খঙহন্দ্রবা
    ঐখোয় লমদমসিগী চৎনবী
    করম মূখৎসিগে খন্নৈ।
মফম খুদিং
ৱাকৎ মীফম ফমই
কান্নবা কয়া ফংদে
মতম মাঙদুনা মতোকই
মতিক ময়াই লৈবগী পাউতাক
মালংদা অরেম্বদা তিনখি।
    মাইক্রোফোন পায়দুনা লাউরুরে
    মাইক্রোফোন পায়দুনা থিরুরে
    মী অমত্তনা খঙই
    মী অমত্তনা উই পাউখুম পীরক্তে
    ঐনা ঐনা খনবনা
    ঐনা ঐনা নীংবনা অচুম্বা ওই।
কয়ারক হন্না চৎলুরবা
তোয়না য়েংলুরবা অশিবা থম্ফম
চিংনবা অমগা লোয়ননা
ঙসিসু ৱাখল থল্লি
ঙৌরবা ফিতনা কুপ্লি
ঙাইঙমদা হোবে হোবে য়েংলুই।
    নৌরবা মহাক অশিবা য়ূম্ফমদা য়াহীপ্লম্বা
    অঙকপা অমা ওই
    নীংবা কায়রবা মীওইবা
    হিক হিক কপ
    হৌরবা খোঞ্জেলনা লাউরকই
    অশিবা থম্ফমদা অশিবা…।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।